ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯵, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, সেপ্টেম্বর ০৫, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৫৭শুবা মশীং

# হোস্পিটালদা দোক্তর ফূবগী থৌদোক

## চহী ১০ ফাওবা জেলদা থম্নবগী দ্রাফ্ট বিল পুথোরকপা

লৈবাক্কী মফম পূম্নমক্তা দোক্তর অমদি অনা লায়েংশঙদা থবক তৌরিবশিং ফূ-চৈবা লোয়ননা হোস্পিটালগী লন-থুম মাঙ-তাকহনবগী থৌদোক থোকহন্দনবা সেন্টরনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলক্লে। মফম কয়াদা অনাবগী থৌগল তৌবা লাকপা মীওইশিংনা দোক্তরশিং ফূবা অমসুং হোস্পিটালগী পোৎ-চৈ মাঙ তাকহনবদগী দোক্তরশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। মমাঙ চয়োলদা দিল্লিগী সফদরজং হোস্পিটালদা অনাবা অমা শিখিবগী ৱাহৌদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা রেজিদেন্ট দোক্তর অনী ফূবগী থৌদোক থোকখি। অসামদসু দেবেন দত্ত কৌবা সিনিয়র দোক্তর অমা মীওই ৩০০ লোম্না ফূবদা শিবগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রে। অসামগী জে র্হাট দিষ্ট্রিক্তা লৈবা চা বগান অমদা থবক তৌবা ডা. দেবেন দত্তবু হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা মীওই ৩০০ লোম্না ফূবদা শিখিবনি। চা বগানদা থবক তৌবা শিন্নীশিংনা হায়রিবদি হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা টিওক টি ইষ্টেটকী হোস্পিটালদা মাঝি কৌবা মশাগী চহী ৩৩ রোম শুরবা শিন্নী অমা অরুবা ফীভমদা পুখৎলকপা মতমদা দোক্তর অমত্তা লৈরমদে হায়বসিনি। নুমীৎতুগী নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা দোক্তর দেবেন দত্তনা হোস্পিটালদা থুংলরবা মতমদা অনাবা অদু মাঙজে ৗননা শিদুনা লৈরম্লে। খোয়শাওনরবা শিন্নীশিংনা দোক্তর অদুবু কা অমদা থোঙ লোনশিল্লগা ফূবদা শিখিবনি হায়রি। থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা অসামগী দোক্তরশিংনা পুং ২৪ চুপ্পা খোঙজং চঙশিনখি। ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন অসাম য়ুনিট অমসুং অসাম মেদিকেল সর্ভিস এসোসিএসননা লৈবাকপোকপা নুমীৎকী অয়ুক পুং ৬তগী হৌরগা য়ুমশকৈশা নুমীৎকী অয়ুক ফাওবা শিন্থা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবনি। গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা দোক্তর খূদিংমক শিন্থা লেপখি। গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটাল, সিভিল হোস্পিটাল, ফেমিলি রেফরেল য়ুনিট অমদি প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরশিংদা থবক তৌরিবা দোক্তর খূদিংমক্না থবক মফমদা খূদোংথিবা নংহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না তকশিল্লকখি। লৈঙাক্না মরাল লৈবা মীওই পূম্নমক চৈরাক পীবগা লোয়ননা অনা-লায়েংশঙ খূদিংমক্তা সর্ভিলেন্স কেমেরা থমদুনা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়নসু ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসননা তকশিল্লকখি।

মতৌ অসুম্না অনা-লায়েংশঙদা মথৌ পাঙথোক্লিবা দোক্তরশিংদা ফূবা-চৈবগী থৌদোক তোয়না থোকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং অমুক হন্না থোকহন্দনবগী পান্দমদা দ্রাফ্ট বিল অমা পুথোরকখিবনি। "হেল্থ ক্যের সর্ভিস পর্সনেল এন্দ ক্লিনিকেল ইষ্টাব্লিশমেন্ট (প্রোহিবিসন ওফ ভাইয়লেন্স এন্দ দেমেজ টু প্রোপর্টি) বিল ২০১৯" কৌবা দ্রাফ্ট বিল অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা হায়খি, হোস্পিটালদা মথৌ তৌরিবা দোক্তরদা কনাগুম্বনা খূৎ থাবা থোক্লবদি মীওই অদু চহী ১০ ফাওবা জেলদা থম্বা নৎত্রগা লুপা লাখ ১০ ফাইন থীহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। মীয়াম্না নুমীৎ ৩০গী মনুংদা দ্রাফ্ট বিল অসিগী মতাংদা অপাম-পামদনচিংবা সজেসন পীরকপা য়াগনি হায়রি। মথৌ পাঙথোক্লিবা দোক্তরশিংদা লায়েংবা লাকপা কাঙবুনা খূৎ থাবগী থৌদোক কয়া ইন্দিয়াদা তোয়না থোক্লি হায়না পল্লদুনা হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা হায়খি, লায়েংশঙদা করিগুম্বা অনাবা অমা শিবা মতমদা দোক্তরনা চেকশিনবা ৱাৎপদগীনি হায়না মরাল শীবগী থৌদোক তোয়না থোক্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা দোক্তরশিং ঙাক-শেনবীনবা লেজিসলেসন অমা পাস তৌবা মতম ওইরে হায়না অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা দোক্তরশিংগী লূপ কয়ানা তকশিন্দুনা লাক্লি। অসামদা হন্দক্তা দেবেন দত্ত কৌবা দোক্তর অমা মীয়াম্না ফূবদা শিখিবগী মতাংদা দোক্তরশিংগী এসোসিএসন কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, মথৌ পাঙথোক্লিবা দোক্তরশিং ঙাকপী-শেনবীনবা থৌরাং লৌখৎলক্তবা তারবদি মতম খরগী মতুংদা দোক্তর ওইবীনবা মীওই অমত্তা থোরক্তবা য়াই। মথৌ চেকশিন্দে হায়বগীদমক মীয়াম্না ফূবদা টিওক টি ইষ্টেটকী দোক্তর দেবেন দত্ত শিখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই ১৬ পুলিসনা ফারবসু অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন অসাম য়ুনিট অমসুং অসাম মেদিকেল সর্ভিস এসোসিএসননা শিন্থা লেপ্তুনা পুং ২৪গী খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। মণিপুরদসু মতৌ অসুম্না অনাবগী থৌগল তৌবা লাকপা কাঙবুনা দোক্তর ফূবা অমদি হোস্পিটাল মাঙ-তাকহনবগী থৌদোক কয়ারক হন্না থোকখ্রে। মমা-মপা ওইবশিংনা মচা খূদিংমক অফবা, মতীক চাবা মীশক অমমম্ ওইহন্নিংবগুম দোক্তরশিংনসু মখোয়-মখোয়না লায়েংলিবা অনাবা খূদিংমক ফহন্নিংলিবনি। পূম্নমক অসিগী য়েংলগা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি তরাম্না ওকফম থোকই। মসিগা ইরোয়ননা দোক্তর খূদিংমক মেদিকেল ইথিক্স ঙাক্লা মথৌ তৌহন্নবা অমসুং লৈঙাক্কী হোস্পিটালদা থবক তৌরিবা দোক্তরশিংনা মশাগী মথৌ থাদোক্লল্লগা লন্নাই হোস্পিটালদা কোয়চেন-চেন্দুনা লায়েংবগী থৌওং মপূং ফানা থিংনবা থৌরাং অমসু লৌখৎফম থোক্লে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মণিপুরদা নোংথোম্বম বিরেন, ইকায় খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা চুংশিন্নবা বি জে পিগী লৈঙাক লাকখিবদগী অওনবা অহোংবা কয়ামরুম লাকপা উবা ফংনরে। লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা য়াইফগদবা অনৌবা স্কিম কয়ামরুম পুথোক্তুনা চীংমী-তম্মী অনীগী নুংশিনবগী মরী ফগৎহল্লে। চীংমীগী নুমিৎ, মীয়ামগী নুমিৎ হায়দুনা অখন্নবা নুমিৎশিং থম্বীদুনা মীয়াম অমদি লৈঙাক অনী হকথেংননা উনদুনা ঈ-পাউ ফাওনবগী খুদোংচাবা ফংহল্লে, নেসনল হায়ৱেশিংদা বন্দ ব্লোকেদকী চাং হন্থখ্রে। বোম, নোংমৈগী মখোল থোইনা তাখিদ্রে। অনৌবা অওনবা অহোংবা অসিদা মীৎয়েং থল্লগা পোলিটিক্সকী খেন্নবা মীৎয়েংগী ৱাংমদা অনৌবা লৈঙাক অসিবু থাগৎফম থোকই। অদুবু মায়কৈ থুংনা য়েংবা তারগদি পেন্নদবা কয়া অমসু লৈরি মদুদি নুপী অঙাংশিংগী মায়োক্তা চত্থরিবা ক্রাইম কয়ামরুম মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রি। দ্রগকী করবারদা চেন্নবা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক পীবা ঙমদ্রি। লৈঙাক্কী স্কুলশিং ফগৎহনবা ঙমদবনা লায়রবা ইমুংগী মচা-মশু লাইরিক তম্বদা অৱাবা মায়োক্লরি। অৱাৎপা পেন্নদবা কয়ামরুম অসি অনৌবা লৈঙাক্তা ঙাক্তা তাইনবদি চুল্লোই। মরমদি অনৌবা লৈঙাক্কী মতম শাংদ্রি। হৌখিবা মতম শাংনা লৈঙাক পায়বিরল্লবা মখোয়গী পুৱারী নৈনবা চুমগনি খল্লি। হৌখিবা মতম শাংনা মীচম মীয়ামগী পুন্সিদা পোলিটিক্সকী লম্দা থোইনা নৈনরমদে, লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা তৌনীংবতা তৌবদা, ঙাঙবা শকপা থোইনা ঙম্নরমদে, অয়াম্বনা তূমদুনা লৈবগা পাঞ্জক ওইরম্মী। অনৌবা অনৌবা লৈঙাক অসি লাকখিবদগী মীচম মীয়ামগী পুন্সি মীকপ থোক্লে হায়বা য়ারে। পোলিটিক্সকী লম্দা নৈনবা মীগী মশীং হেনগৎলে। লৈঙাক অমদি মীয়াম অনীগী মরক্তা লৈনগদবা মরী করিনো খঙবা মীগী মশীং হেনগৎলে। মণিপুরগী এ সী ৬০দগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎলক্লিবা লৈঙাকলোয়শিংগী মতিক মথৌনা নীংথিনা খঙবা ঙল্লে। হুম্ফুগী মনুংদা চাউরাক্লা কাঙলূপ অনী থোক্লা উবা ফংলি। অহানবদা মরৈবাক নীংবা মীয়ামগী ফনবা খনবা, মশাগী ওইজবা থিদবা কত্থোকপা ঙম্বা, মফম মতমগা চানগদবা অনৌবা স্কিম কয়ামরুম পুথোক্তুনা লৈবাক মীয়াম চাওখৎনবা হোৎনবা, অনীশুবদা মীয়ামগী শক্তি পায়বা ফংখিবা নুমিত্তগী ইলেক্সনগী শেঞ্জং হঞ্জিন্নবা লম্বী থিবা, পোলিটিক্সপু লন্নাই শেন্দাল লম্বীদা করবার ওইনা খনবা, লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু কয়াদা নাথৈদুনা লৈনবা হোৎনবা, নাৎকী চৎনবী, দে-কর্ম্মদা ভোট ফংনবা মীৎয়েংদা হেন্না থৱায় য়াওশিনবা, এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ মীয়াম খঙদনবা হোৎনবা অসিনচিংবনি। কাঙলূপ অনীমক্কী মীহুৎ লৈবাক মীয়ামগী মপি মপা শক্লিবশিং নৈনরোয়শিংনা নীংথিনা খঙবা ঙল্লবা ঙাক্তনি। মশক মমিং পল্লুদ্রগসু মা-মানা তৌথোরকপা থবক্লা খুদম চাংদমনি।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অরোইবা মীফমদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী চয়েৎনরিবা অসিগী ৱাফম মরী লৈনবা ওনরেবল এম এল এনা পুখৎলক্কদ্রা খন্না থৱায় য়াওনা টি ভি য়েংনখি। নুমিৎ অদুদা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা অহল ৩গা লোয়ননা ইশামক য়াওনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানখি। লোয়ননা হিয়াংলম এ সীগী হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা লম্বী থোং ফৎত্রিবা, লৈঙাক্কী স্কুল শিথখিবদগী লন্নাই স্কুলশিংদা মচা-মশু লাইরিক তমহনবদা লায়রবা ইমুংশিংনা মায়োক্লরিবা অৱাবশিং, অনা লায়েংগী মতাংদা অনকপা লায়েংফম লৈতবগী থেংনরিবা অৱাবশিংগী মতাংদা কূপ্না খন্নরবা মতুং হায়রিবা মথক্তা পনখ্রিবা দাবীশিং অসি থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়না পাউচেগী থোঙদা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

***অদোমগী - ১) সলাম শ্যামকেশো, এক্স উপ-প্রধান, অরোং খুঞ্জাও ২) এলাংবম যদুমনি, সেনিয়র সিটিজন, এলাং খানপোকপী ৩) তোলচৌ শমজেৎশাবম, সেনিয়র সিটিজন, থোংজাও***

# য়ু ফুল, ষ্টুপিদ...!

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

ঙরাং, অশিঙবা মী অমদি ইন্টেলিজেন্ট ওইবা মী - অনীসিগী মরমদা পাউ অমখক তমজখি - থম্মোয়সিগী পাউদম ওইনা। ময়ামসু খনবীরমগনি - করিগীদমক অদুগুম্বা পাউ তমনীংলুরিবা? পাউ অদু তম্লুবগী কান্নববু করিনো? কান্নদবা থবক্তি থৌরেম কৌনৈদনা! থৌরেম ওইবা থবক্তি তৌরোইদবনি। অসুম্না কান্নদবা ৱাখলসু খল্লোইদবনি ঐখোয় কনাসু। খঙদে, ঐনা খল্লুরিবা ৱাখলসিবু কান্নরিবা ৱাখল্লা, কান্নদবা ৱাখল'লা? অশিঙবনা কনানো? কোক লৈবনা করম্বনো? খনবমখৈ খল্লুরে। অদুগা, ঙসিনা অমুক খল্লক্লে - অপঙবনা কনানো? ৱাখল য়াওদবা মী হায়বসিনা করম্বনো? ইংরাজি ৱাহৈদা হায়রগা - 'ফুল' অমদি 'ষ্টুপিদ'। পঙদা পঙবা অপঙবা মহাক্তি খঙদবা/চমজবা মতৌ অমা ইরোয়নৈ, ৱাখল খন্থদনা থবক তৌবা মহাক অদুবু শিংদবা মী (অপঙবা, ফুল) কৌই। ৱাখল লৈতবা মীদি নত্তে 'ফুল', খন্থদনা থবক তৌবদুনি। অদুগা 'ষ্টুপিদ' হায়বা মী মখল অসিনা ৱাখল খন্থনবা মতিক (ইন্টেলিজেন্স) হায়বদু শুকয়াও হেক য়াওদবা অদুবুনি।

ঐসে অপঙবরা, অশিঙবরা, ফুল হায়বদুরা, ষ্টুপিদ হায়বদুরা ... ইশানা ইশাবু অমুক্তং শকখঙনবা হোৎনজরুবনি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিসিদা ঐনা খল্লকখিবা ৱাখল, তৌজখিবা থবক! থবক্তুগী মহয়! মীনা করি খল্লম্বা? মীনা করি হায়রকপা? পূম্নমকসি য়েংলুরগা খঙলকই - ঐসি ঐ ওইরমদে। মতাংসিদা শীজিন্নজরিবা ৱাহৈ মরিসি - মীওইবা কৌবা জীবসিনা মীওইববু মশক খঙজনবা/শক্লাক্লবা হোৎনরকপদা শেল্লকপা ৱাহৈমক্তনি। মীওইবনা মীওইবগী মশক লেপ্পবা হোৎনরকপদা 'লাই' (গোদ/ঈশ্বর) কৌবা, লৈ/লৈতে খঙদবা পোৎশক অমা শেল্লকই। লাই থিরিবা মীশিংদুনা 'মী' বু মশক তাক্লবা হোৎনরকপদা, লায়না খঙবা ঙম্নবা পোৎশক অমগা প্রমান তৌদুনা উৎলকই - মীওইবা হায়বসি 'কৈরাক অমগুম্বনি'। কৈরাক হায়বগী শীজিন্নফম মরম অনীখক্তনি - মথক্তা কাবদা অমা নৎত্রগা মখাদা কূম্বা অমা। মান্নদবা থবক অনীসিগীদমক শীজিন্নরিবা পোৎশক্তুদি 'কৈরাক' হায়বা চপ মান্নবা পোৎশক অদুনি। কাবা নৎত্রগা কূম্বা - থবক্তুগী মতুংইন্না মায়ওন হোংবখক্তনি।

মীওইবা হায়বসি 'স্বর্গদা কাবা' নৎত্রগা 'নরক্তা কূম্বা' হায়বা থবকসিগীদমক শীজিন্নরিবা কৈরাক অদুনি। শা উচেকশিংগী মরক্তা 'ফুল' লৈতে, 'ষ্টুপিদ' ওইবা য়াওদে, পাপ-পুন্যগী ৱাখল লৈতে, সাধু লৈতে, সন্যাস লৈতে, মীহাৎপা কনানো, লাইপোক্লা করম্বনো - কনানসু খন্দোক্লদে। শা-ঙা-উচেকশিংগী মরক্তা করম্বনা অপঙবনো, করম্বনা অশিঙবনো - মীওইবনা খন্দোকপনি। মখোয়গী মরক্তা 'ইন্টেলিজেন্স'তি য়াওই, 'ষ্টুপিদিতি' দি য়াওদে, মরম লৈতবা থবক তৌদে। মহৌশাবু শীংনগে - খল্লিবা থৱায় পানবদি মীওইবা মথন্তননি। মীহাৎপা, পাপিসু মীওইবনি, লাইগুম মতিক লৈরবা 'লাইপোক' তুসু মীওইবনি।

মীওইবনা ষ্টুপিদ হায়বা ৱাহৈ অসি করিগীদমক শেমখিবনো? মরমদি ঐখোয় মীওইবদা লাক্লবা ঙমদবা পূক্নিং, আশা হায়বা অমা য়াওরি। মশানা তৌবা ঙম্বা, ফংবা ঙম্বদুগী ৱাংমদা তৌবা পাম্মী, লৌবা পাম্মী। মহৌশাগী খূৎশেম'বু শিংনবা পাম্মী মীওইবনা। 'নেচরবু খুদুম চল্লে' - কান্নদবা নাপল অসিগা ইরোয়ননা হিংনীংই। ঈশিং, মালেম, অতিয়া - অহুমসিগা পূন্না অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবই ৱাখল খনবা নত্তবা, মরোল অহুম অসিগী মপু ওইনা হিংনীংই মীওইবনা। অদুবু কৌই 'ষ্টুপিদ আইদিয়া' (ৱাখল য়াওদবা ৱাখল)। ঙরাং অমদি হয়েং কৌবা মতমগী শক্লোন অমা মীওইবনা শেমগত্তুনা লৈসু লৈতবা মতমদুগা য়াওনমিন্নদুনা লৈনীংই মীওইবা। অদুবু কৌই - 'ষ্টুপিদিতি', 'হৌজিক' হায়বা মতম অসি নত্তনা, ঙসাই, হোরেন, ঙরাং-নহান, হয়েং-হংচীৎ হায়বা মতম অমা লৈতে হায়বা ৱাখল অসি খনবা ঙমদবসিনি 'মীওইবগী ষ্টুপিদিতি'।

অদু ওইরবদি - ঐ, নঙ, মা - ঐখোয় পূম্নমক - ষ্টুপিদ', ফুল ... হায়বা থৱায় পানবা মখলদুনি ... ঐখোয় য়াবা তাবনি। অদুদি, ঐখোয়বু কনানা 'ষ্টুপিদ' ওইহল্লি? সমাজ-খুন্নাই-ধর্ম্ম-রিলিজন-ষ্টেট-নেসন পূম্নমকসিনা মসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসিবু, অপঙবা, ৱাখল য়াওদবা, 'ফুল ষ্টুপিদ' হায়বদু ওইহনবা পাম্মী। ঐখোয়বু কনানসু অশিঙবা মী, ইন্টেলিজেন্ট ওইবা মী ওইহনবা কনানসু পামদে। মরমদি, ৱাখল খনবা ঙমদবা, অপঙবা মী হায়বসিমক্তবু হায়বা ইনবা ওইগল্লি। মখোয় অমা অনীনা মতম শাংনা লুচিংবা ওইনা লৈবা য়ানবা মী ময়াম অসিবু লায়রবা, ৱাখল য়াওদবা, অপঙবা, ষ্টুপিদ পিপল ওইনা লৈননবা থৌশিল য়াৎলি, থবক তৌই। বুদ্ধ, যিসস, মুহম্মদ - মখোয়গী মতুং ইনবা 'ষ্টুপিদ পিপল' লিশীং কয়াদি থোক্লকখি। ষ্টুপিদ ওইবা মীয়ামগী তুংইনবা বুদ্ধ, মহাবীর, নানক অমত্তদি থোরক্তে।

মীওইবনা করিগী অশুক তমথীরিবনো? হায়বা ৱাহং অসিগী পাউখুম ওইনা থোক্লকপা ৱাহায় অমনি ... 'মীওইবা খুদিংমক্লা মহাক ইন্টেলিজেন্ট ওইবা মীশক অমনি হায়বা ৱাখল অসি কৈদৌনুংদা থাদোকপা ঙমদে...'। ৱাখলসিদগী থোক্লকপনি 'ইগো'। সমাজসিদা লৈরিবা ইমুং-মনুং, স্কুল-কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি, ইন্সটিট্যুসন, রিলিজন ... পূম্নমকসিনা মীওইবগী 'ইগো কলচর' হেন্না কনশিনহল্লকই। ঙসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টেম, মীবু এদ্যুকেট তৌবনা মরু ওইবা পান্দম নত্তে। অথোই-অহেন তান্নবা, অমনা অমবু নমহৎপা, অচৌবা মী ওইনবা, কোর্পোরেট হাউজ লীংনবা, অচৌবা শেঞ্জাও পায়নবা হোৎনবদুনা মরুনি। 'ঐনা হেল্লি' হায়বা ইগো অদু য়োকখৎপনি।

যিসসনা হায়রম্মী হায়, অঙাংগী পুকচেল চেন্দ্রবা লাইরৈবাক্তা চংঙল্লোই। মতম কুইনা খঙলমদে ৱাহায়সিগী ৱাহন্থোক। স্কুল কুম্লকপা অঙাং অমনা হরাও মোমোন্নদুনা হল্লকপদা মমানা হংবা ৱাহংগী পাউখুম অঙাংদুনা খুম্লকপদু তাবদগী খঙলকখি। '...ইচাদি থৱায় নুংঙাইনা হল্লকইদা, স্কুল কাবা নুংঙাইবরা?' ... 'ইমা নঙসি পঙখ্রেদা! স্কুল কাবদনা অমনি, হল্লকপদনা অমনি... কাবগা কূম্বগা মান্নবা হৌনবরা? ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৮৪

**উসম ধনঞ্জয়**

**ওগষ্ট ০৮, ২০০৯ :** চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতগী চীফ মিনিষ্টরনা এসেমব্লিদা হায়খি হায়রিবা "হাৎপা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে/there is no other way than killing" হায়বসি হায়খিবা লৈতে হায়না শেংদোরক্লি। জুলাই ২৩দা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি হায়বসি লমদমসিদা ফোঙবা পাউচে অমদা ফোঙখিবনি। পাউচেসিনা লান্না ফোঙজিনবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরি পি কে সিংহনা থোকপা চেরোল অসি থোক্লকখিবনি।

**ওগষ্ট ০৮, ২০০৯ :** জুলাই ২৩দা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা নোংমৈ কাপখিবদু য়ানীংদদুনা ষ্টেটকী মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম ফমখি। মখোয়না প্লে কার্দ কয়া পায় অমসুং চীফ মিনিষ্টর অমসুং কম্মান্দোশিংগী মীত্তমশিং মৈ থাখি। লমশাং বজারদা নুপী কয়ানা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীগী মীত্তম শাদুনা কুদা হাপ্তুনা মৈ থাখি। মখোয়না 'চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকউ', 'মরাল লৈবা কম্মান্দোবু চৈরাক পীয়ু' হায়না লাউখি। ৱাকৎ মীফম অসি অতৈ মফম কয়া - কোংবা বজার, ৱাংখৈ মৈহৌবম লম্পাক, শালুংফম পান্থোইবী বজার, শিংজমৈ থোংখোং অমসুং ক্বাকৈথেল বজারদসু পাঙথোকখি। পুলিসশিংনা ৱাকৎ মীফম ফম্বশিং তানখায়খি, অদুবু অশোক অপনগী পাউদি ফংদে।

মৈহৌবম লম্পাক্তা তৌবা প্রোটেষ্ট অদু কম্মান্দো অপাচিশিংনা তানখায়খি। অসুম্না হৈরাঙ্গোই থোং, টেলিপতি, সোইবম লৈকায়নচিংবদসু তানখায়খি।

প্রোটেষ্ট তৌবী নুপী অমনা হায় মদুদি চীফ মিনিষ্টরনা জুন ১৮গী থৌদোক্তু কাউরোইদবনি। মানা হাওসতা হায়খিবা হাৎপা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে হায়খ্রগা হায়খিদে হায়বসি ইকায়নীংঙাইনি। মখোয়গী তাল্লিবা দাবী ফংদ্রিবা ফাওবা কার্ফিয়ু থমজরবসু মখা চত্থখিনি হায়খি।

**ওগষ্ট ০৮, ২০০৯ :** সী ঐচ সঞ্জিৎ, খুরাই তিনসিদ রোদপু হাৎপা য়ানীংদদুনা শেমখিবা জে এ সীনা পুলিসকী কা হেনবা থৌওংদা শোক্তুনা লায়েংলিবা মীওই অনীদা শেলগী মতেং পাংখ্রে। জে এ সীগী ভলন্টিয়রশিংনা জে এন হোস্পিটালদা চৎতুনা নাওরেম প্রকাস, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়বু অয়ূক পুং ১১ রোম তাবদা উনখি। মহাক য়েৎকী মমিৎতা শোকখিবনি, সেক্যুরিটি পর্সনেললনা ময়ূম মনাক্তা ৱাকৎ মীফম ফল্লিঙৈদা নোংমৈ কাপ্পদগীনি। অমনা কে ঐচ সন্তোস, কোংপাল চীংঙাম্বম লৈকায়দগী, মাগী মফৈগন অনীদু পুলিসনা টিয়র গ্যাস কাপ্পদগী শোকখবনি।

জে এ সীগী ভলন্টিয়রশিংনা জে এন হোস্পিটালদা চৎলে হায়বা পাউ তাবদগী ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোশিংনা হোস্পিটালসিদা লাকখি। মখোয়না থুংলবা মতমদুদদি মখোয় চৎখ্রে। মখোয় ফাবা ফংদ্রবদা হোস্পিটালদা লৈরিবা হেল্পলাইন ভলন্টিয়রশিংদা ওনশিন্দুনা ফাখি। দোনেসন বোক্সতা য়াওরিবা শেলশিং অদুসু পুখি।

চুংখাম সঞ্জিৎপু হাৎখিবা অদু য়ানীংদদুনা শেম্বা জে এ সীগী চেরোল অমদা হায় মদুদি ষ্টেট লৈঙাক্লা সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা ক্রাইম কয়া চত্থবদগী মীয়াম্বু কন্নবা হোৎনরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াবু টেররিষ্ট ওইনা লৌরে। লৈঙাক অসি মীয়ামগী করিসু খন্দে। মিদিয়া অমসুং সিভিল সোসাইটিশিংগী মচিন মেল্লগা ষ্টেট লৈঙাকসিনা করি কান্নবা ফংবনো? জে এ সীনা এম এল এ লনধোনিদা মাগী মপুরোইবা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টরবু মীয়াম্না তাল্লিবসি পীথোকখিনবা হায়বীয়ু হায়রি। টেহলকা মেগাজিন্না অরোনবদু লোইনমক ফোঙখে, লোৎশিন্নবা হোৎনবা কান্নরোই।

জে এন হোস্পিটালদগী হেল্পলাইনগী মেম্বরশিং ফাগৎখিবা অদুবুসু জে এ সীনা য়ানীংখিদে। অশোকপশিংবু মতেং পাংনবা লৈবা মীওইশিংবু ফাবা হায়বসি হেন্না ঈরাং তৌরক্লবা চেবাউ তৌবনি হায়খি।

**ওগষ্ট ০৯, ২০০৯ :** লংথবাল কুঞ্জ ময়ায়দগী নাওরেম প্রকাস (২০) য়েৎ থংবা মমিৎ উবা ফংদ্রবসি মপান লমদা পুদুনা লায়েংদ্রবদি য়াররোই হায়না জে এন হোস্পিটালগী ন্যুরো স্পেসিএলিষ্টশিংনা হায়রে। ডোক্তর দল্লিয়ু মোটিলালনা লুচিংদুনা মাগী য়েৎ থংবা মীৎ অসি কূপ্না য়েংখি। ন্যু দিল্লিগী এইমসতা পুদুনা লায়েংনবা হায়খি। মহাক ওগষ্ট ৬তা সেক্যুরিটিগী নোংমৈনা পানবদগী মথং নুমিৎতা রিমস কেজুএলিটিদা লৈরম্বা ইমুং মনুংনা থেংনখিবনি। জে এন হোস্পিটালগী ডোক্তরশিংনা মহাক য়াম্না থীনা শোক্লে, শীংলি নাওরিশিং মথৌ তৌশিল্লক্ত্রে হায়খি।

**ওগষ্ট ১১, ২০০৯ :** নাওরেম প্রকাস (২০) কী য়েৎ থংবা মমিৎ শোক্লিবা অসি য়েংনবা এইমস হোস্পিটাল, ন্যু দিল্লিদা পুরনি। সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা ওগষ্ট ৭কী অহিংদা নোংমৈনা কাপ্পদগী শোকপনি। মহাক ঈশ্বর স্কুল কাঞ্চিপুরদা ক্লাস ১২দা তম্বনি।

মথংগী নুমিৎ তাং ৮দা পুলিসনা হায়রকপদগী রিমস হোস্পিটালদা অমুক পুখৎতুনা মথন্তা লৈরম্বনি। মথংদা সিজ হোস্পিটালদা পুখি অদুবু ন্যুরো ডোক্তর লৈরমদবদগী জে এন হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লাকখিবনি।

ইমুং মনুংগী মীওইশিংদগী ফংবা পাউদা সিভিল ওর্গনাইজেসন খরনা শেলগী মতেং পাংবীরকপা লৈ অদুবু মদুনা কোন্নবদি নত্তে। অদুনা মখোয়গী লৈজবা লৌ খরা য়োল্লগা এইমসতা লায়েংবা পুগদৌরিবনি, লুপা লাক্ষ কয়া চংগনি হায়খি।

**ওগষ্ট ১১, ২০০৯ :** ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অটসুম) না চীংগী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা মতম অমত্তদা প্রোটেষ্ট রেল্লি তৌরগনি হায়রি।

ষ্টেট কেবিনেটনা মণিপুর পুলিস কম্মান্দো অমসুং আই আর বিবু চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা থমগনি হায়বদু য়ানীংদদুনা প্রোটেষ্ট অদু তৌবনি। চান্দেল, উখ্রুল, তমেংলোং অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টশিংদা প্রোটেষ্ট রেল্লি পাকশন্না পাঙথোকখি। ঐখোয়গী লমদা শান্তি ওইনা লৈজগে, ঐখোয়না চীংগী লমদা পুলিস কম্মান্দোশিং অমসুং আই আর বি থম্বা য়ানীংদে, মীয়ামগী অপাম্বদু ইকায় খুমনৌ, জুলাই ২৩গী বি টি রোদতা মীচম হাৎখিবদু চান্দেলদা তৌহনগনু হায়বনচিংবা প্লে কার্দ কয়া পায়খি। চান্দেলদদি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদগী হৌরগা চান্দেল জাফৌ বজার ফাওরগা ডি সী ওফিসতা লাক্লগা দি সীগী খূত্থাংদা হোম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি।

মেমোরেন্দম অদুদা হায়রি মদুদি পুলিস কম্মান্দোশিং অমসুং আই আর বিনা মীবু ওৎলি, লুৎ পাৎ তৌরি, শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া হাৎলি। জুলাই ২৩দা বি টি রোদতা থোকখিবদুনা খ্বাইদগী ইকোন কোনবনি, চীফ মিনিষ্টরনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি ঙাকপী শেনবীবা ঙমদবগী থৌদাং পুগদবনি।

**ওগষ্ট ১১, ২০০৯ :** অপূনবা লূপকী ৱার্কিং কম্মিটিগী মীহুৎশিংনা ষ্টেটকী গভর্ণর গুরবচন জগটতা ঙসি নুংথিল মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা খূৎশেমগী ওইবা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবদা মীওই কয়া হাৎপা অমসুং মরুওইনা হন্দক্তা জুলাই ২৩দা বি টি রোদতা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবদা মীওই অনী, মীরোনবী নুপী অমা য়াওনা হাৎখিবা অমসুং মীওই ৫ অশোক অপন নংহনখিবা অদু পনখি।

অপূনবা লূপ্না ঙসি অয়ূক অঙনবদগী কর্ফিয়ু কোমথোকপা মতমসিদা মেমোরেন্দম অদু পীনবা হোৎনবনি। অদুবু ইম্ফালগী মরুওইবা মফম কয়াদা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৈবদুনা রাজ ভবন তান্না চৎপা য়ারমদে। কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়গী মীওইশিং য়াওশিল্লকপদগী খোঙজংলোইশিংনা নুংথিল পুং ১.১৫ রোম তাবদা রাজ ভবন তম্না চংশিনখি। অদুবু কৈশাম্পাৎ থোং মথক্তা থমলিবা বেরিকেদ অদু লানশিনবদা অথিংবা লৈরম্মী। মীয়াম্না কন্না হায়বদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী ওফিসলশিংনা লুচিংবী খরা খনগৎলগা গভর্ণরগা উনবা য়াহনখি। অপূনবা লূপকী ৱার্কিং কম্মিটিগী মীহুৎ ৫ দং রাজ ভবন্দা পুদুনা মেমোরেন্দম অদু পীশিনহনখি। মখোয় অদুদি এন জিবনলতা, এন মেমা, কে কুমুদিনি, এস ইবেচাওবী অমসুং দল্লিয়ু শাঙ্গোলনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।